# লৈঙাকসিনা য়ুবু লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি : নিংঙোল ক্লব




থৌবাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈচাও থোক্তুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগস লাউথোক্তুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা অকনবা কেম্প্যেন চঙশিন্দুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈঙাক অসিনা য়ু লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমা ওইনা নিংঙোল ক্লবনা হকচিন্না লৌজৈ হায়না নিংঙোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নিংঙোল ক্লব হৈরোক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সোফিয়া খুন্দোংবমনা মখা তানা হায়খিবদা, লৈঙাক অসিনা য়ু লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ু থিংনবা লৈরিবা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অসি মপূং ফানা হান্না চৎনহনবীদুনা য়ু থিংবগী অকনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না লমদম অসিগী মৈরা পায়বী ইমা লূপ, সী এস ও কয়ানা লাউদুনা লাক্লিবা অসি তাবীবগী মহুত্তা লিগেলাইজ নমদুনা তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি করিগীনো হায়না হংবগা লোয়ননা লৈঙাক অসি ৱার ওন দ্রগস লাউথোক্লিবা লৈঙাকনি হায়রগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোন্নবা হোৎনরব্রা হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়খি।

লৈঙাক অসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা পাম্বীরগদি ৱার ওন দ্রগস লাউথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। লৈঙাক অসিগী ৱার ওন দ্রগ মপূং ফানা ফাগি তারগনি হায়না মণিপুর মীয়াম্না হংনরক্লিবা ৱাহং ওইরক্লবনি। য়ুসু ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক পুকচেল শেংনা থিংনবা লৈরিবা এক্টশিং মপূং ফানা চৎনহন্দুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মপূং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনবীরো। য়ু লিগেলাইজ তৌনবা খোঙফম অথুবদা হন্দোকপীদুনা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট অসি অকনবা এক্ট অমা ওইনা শেমদোকপীদুনা চৎনহন্নবা থবক পায়খৎপীবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা নিংঙোল ক্লবকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর মোইরাংথেম প্রামেশ্বরি অমদি নাওরেম লিংজেলথোইবী অমসুং অতৈ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

# দ্রগ মপু অমসুং চেন্নবশিং থাদোকখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ২৩ অমসুং ২৪গী লোন্নবা অহিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ফৌদেন কৈরাম্বীদা মফম অদুগী মৈরা পায়বী লূপ অমসুং ক্লবকী নহারোল অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা লুপা ক্রোর ৪০০ রোমগী দ্রগ ফাখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমসুং মপু পূন্না মীওই ৯ হৌখিবা জন্যুৱারী ২০দা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), থৌবালনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি ফৌদেন কৈরাম্বীদা ইমা ইবেলশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

পান্থোইবী ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, ফৌদেন কৈরাম্বীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী ৱাইকোম কলপনানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা অৱাং নোংপোক্কী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা দ্রগ ফাখিবা থৌদোক অদুদা মপূং ওইনা চেন্নবা অমসুং দ্রগ অদুগী মপু পূন্না মীওই ৯ কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি মৈরা পায়বী লূপ অসিনা কন্না য়ানীংদে, হায়রিবা মরাল লৈবা মীওইশিং অসি থাদোকখিবা অসিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগ অসি ফাগি তাহল্লে, থৌওং অসিনা দ্রগকী মায়োক্তা থৌনা লৈনা চঙশিল্লিবা পুলিস পর্সনেল অমদি সী এস ওশিংদা নিংহন্নবা পোকহল্লে, মরম অদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিদা পূক্নিং চঙবীদুনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা হায়র কোর্টতা আপিল চত্তুনা মখোয়বু মপুন্সি চূপ্পা জেলদা থমদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মৈরা পায়বী অমদি লৈকায়গী ক্লবকী নহারোল কয়া য়াওনা ফাখিবা লুপা ক্রোর ৪০০গী দ্রগ ফাবগী থৌদোক অদুবু ত্রাইএল তৌদ্রিঙৈদা য়াম্না লায়না থাদোকখিবা অসি করি মরমগী, কদাইদা অহোবা লৈহৌবদগী থোকখিবনো হায়বদু মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা কূপ্না থিদোকফম থোকই, লৈকায়গী মৈরা পায়বী অমদি নহারোলশিংনা ইফোং ফোংনা শাখি ওইদুনা ফারবা দ্রগ অদু ফাবদা মরাল লৈরবশিং চৈরাক পীবা ঙমদ্রবদি মতুং তারকপা থৌদোক কয়াদা মতৌ করম্না দ্রগ লল্লোনবশিং ফারগা চৈরাক পীগদৌরিবনো, হন্দক্তা কোর্টনা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগী মায়োক্তা মায়কৈ কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরকসিদা হন্দক্কী থৌদোক অসিনা মীয়ামদা হেন্না চমন্নহল্লে হায়বা ৱাফমসু থল্লকখি।

# তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মখল মরি অমদি মরূগা কোন্ননা মীওই অনী ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ূক পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭কী চভাংফাই ভিলেজদা লৈবা য়ূম অমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মখল মরি অমদি নোংমৈ মরূ কয়াগা লোয়ননা মীওই অনী ফাগৎপা ঙমখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি টি ঐচ বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ূক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অমনা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ চভাংফাই ভিলেজদা লৈবা থাঙমিনলুন হাওকিপ (৩১) অপোকপা ওনখোলেট হাওকিপ কৌবা অমগী য়ূমদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ূম অদুদগী নোংমৈ পিষ্টোল ২ অমদি মেগজিন ২, নোংমৈ সিঙ্গল বেরেল অমা, নোংমৈ ০.২২ রাইফল অমা, কাপথোক্ত্রিবা এ কে নোংমৈগী মরূ অমা, ৭.৬৫ এম এমগী নোংমৈ মরূ ১৮, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ তোকনীংগী ৭.৬৫ এম এম মরূ ২০ অমদি ১২ বোরগী নোংমৈ মরূ ৩৪ লোয়ননা মোবাইল ফোন ৪গা কোন্ননা মীওই অনী অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ফারবা মীওই অনী অদুদি মাঙলিমাট হুঙদিম (২৫) অপোকপা চুঙলেট হুঙদিম সী সী পুর দিষ্ট্রিক্টকী মোল্লুম ভিলেজদগী হৌজিক্কা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ চভাঙফাইদা লৈবনি। অতোপ্পা মীওই অদুনা থাঙমিনলুন হাওকিপ (৩১) অপোকপা ওনখোলেট হাওকিপ মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ চঙাংফাই ভিলেজদগীনি। ফারবা পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা মীওই অনী অদু মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তাবা লোগী থবক পায়খৎনবা খূৎশিন্নখ্রে।

# ইমা ইমোইনু থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ৱাকচীংগী ১২নি পানবা, ইমা ইমোইনু নুমিৎনা লাকপদা, চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লকপগুম ঙসি চীংঙা ইমা থৌগল লূপ থৌবালনা শীন্দুনা ২৩লকশুবা ওইনা থৌবাল নোঙাংখোংদা লৈবা ইমা চীংঙা লাইরেম্বীগী খুভমদা ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌবালগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম খকনত্তনা মীওই কয়ানা ইমাগী থৌগল তৌবা লাক্লখি।

# খা মণিপুর কোলেজগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): খা মণিপুর কোলেজ, ককচীংগী ওফলাইন ক্লাসশিং মথং মথং পাঙথোকপা হৌখিবগা লোয়ননা কোলেজ অসিগী ফোর্মেল ওইবা মহৈরোয়শিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৭ অমদি ২৮দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অসিগী মনুংদা আর্টস, সাইন্স অমদি কম্মর্স ষ্ট্রিম অহুম্মক্কী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগীনা জন্যুৱারী ২৭কী অয়ূক পুং ১১দগী হৌগনি। অদুগা লেমহৌরিবা সেমিষ্টরশিংগীনা মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ২৮গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌগনি হায়রি। ইন্দক্সন প্রোগ্রামশিং অসি মথং মথং পাঙথোকপগা লোয়ননা কোলেজ অসিগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরকপা এম দি ঐনোরউদ্দিনগী ফেয়রৱেল প্রোগ্রামসু থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ৩দা পাঙথোক্লগনি হায়না আই ক্যু এ সীনা খঙহল্লক্লি।

# ইমোইনু থৌরমগা মরী লৈননা অহল ওইরবশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইরগা শুফম নোমফম খঙদনা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী য়েংলগা ইষ্টর্ন পোপুলর ক্লব খুরাই থোইদিংজম লৈকায়না কোনবা মফমশিংদা লৈবা মশাগী চহী ৭০ গী মথক্তা লৈবা লৈঙাক্কী থবক তৌদবা অহল ওইরবশিংদা ইমা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনিগা মরী লৈননা লাইদা কৎনবা পোৎলম কয়া লৈবা ঙম্ন বগীদমক ক্লব অসিনা অহল ওইরবা মীওই খুদিংদা লুপা ৩০০/৩০০ পীখ্রে হায়না ইষ্টর্ন পোপুলর ক্লবকী সেক্রেটরি অহন্থেম প্রিয়োকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সলাম বিরেন্দ্র, লৈকায় অসিগী মৈরাপায়বীগী লুচিংবী নিংথৌজম প্রেমিনা অমদি কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর মোইরাংথেম লোয়ানা শরুক য়াদুনা অহল ওইরবশিং অদুদা শেনফমশিং অদু ক্লব অসিগী থৌমীশিংগা লোয়ননা মখোয়গী য়ুম য়ুমদা চত্তুনা খূৎশিন্নখি। হায়রিবা তেংবাংগী শেনফমশিং অসি ক্লব অসিগী মেম্বর ওইরিবা রাজকুমার অচৌসনা অমসুং থোইদিংজম বোন খুরাই অনীনা পুথোকপনি।

লোয়ননা কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাই অমসুং ইষ্টর্ন পোপুলর ক্লব অনীনা ঈরাৎ থৌনি অসিনা কোভিদ-১৯ না শোকহল্লবা ইরৈবাক ইরমদম অসিবু নৌহৌননা চাহোং ঙাহোংবা অমসুং লায়চত্তগী ঙাকথোকপীয়ু হায়না ইমাগী মফমদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হেরিকোননা গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): চহী চা কয়াদগী খুন্দা-লৈতামিন্নরক্লবা কবুই ফুরুপচাশিংগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা গান-ঙাইনা লাকপদা ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

হেরিকোনগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সনাজাওবা মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা থৌরম অসিনা লাকপদা লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা ফুরুপচা পূম্নমক্কী নুংশি লিপুন অমুক্কা হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু হায়রি। কুমগী মহৈ মরোং লোকপা লোইদুনা তাইবঙ মপুদা ঙমজবা কৎচদুনা মথংগী চহীদসু চাথোক মরাং কায়না পীবীনবা নীজবা থৌরমনি। থৌরম অসি য়ূমথোঙ খুদিং, খুল খুদিং তেক্তা কায়দনা হরাও তয়াম্না পাঙথোকপা ওইরসনু হায়রি।

HL-P/8547/13 to 28




## লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রিঙৈ অমদি কাপ্লবা মতুংদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী খুদোংথীবদগী মপুঙ ফানা ঙাকথোক্লবগীদমক মীওই অয়াম্বা পাক শন্না কোভিদ-১৯ কাপথোকপা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। ভেক্সিন কাপত্রিঙৈ মমাঙ অমসুং কাপ্লবা মতুংদা করি তৌগদগে অদুগা করিবুনা তৌরোইদগে হায়বগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা পীবা ৱাফমশিং থল্লি।

**ইশা-ইশাগী পালি লাকপদা ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি:**

ইশা-ইশাগী ভেক্সিন কাপ্পগী মতম কন্নম্বা মতমদা তাবগে অমদি করম্না রেজিষ্টর তৌগদগে হায়বদু লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙ্না পীবা ইনফোর্মেসনদগী খঙনবা হোৎনগদবনি। মতমদু য়ৌরক্লবদা মতমদা শুকশোয় শোয়দনা ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি।

**ভেক্সিনশিংগী মরমদা শন্দোকপা অরানবা ৱাফমশিংনা ইশাবু চমন্নহল্লোইদবনি:**

সোসল মীদিয়া অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক শারক্লিবা ভেক্সিনশিংগী মরমদা অরানবা ৱাফমশিংতনা পীক থল্লি। ভেক্সিনগী মরমদা চিংনবা নৎত্রগা খঙনীংবা লৈরগদি থাজবা য়াবা মফমদগী থিদুনা খঙনবা হোৎগদবনি। ভাইরস অসিগী মরমদা অমদি হৌজিক ফংলিবা ভেক্সিনশিংগী মরমদা অচুম্বা ৱাফমশিং নীংথিনা ফংবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)সু অমনি।

**কোভিদ-১৯ নারম্লগা ফখ্রবা ওইরবদি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপকদবনি:**

কোভিদ-১৯ অমুক হন্না নারকপা হায়বসি শুকশোয় শোয়দনা ওইথোকপা য়াবা অমনি। মরম অদুনা লায়না অসি হান্নদা নাখ্রবা মীওইশিংসু য়াওনা মীপুম খুদিংমক কোরোনাভাইরস ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি হায়না সী দি সীনা হায়রি।

নীংশিংগদবা ৱাফম অমদি কাপ্লিবা ভেক্সিন অদুগী মতুংইন্না লায়না অসি নারম্বদগী ফংগৎলক্লবা মতুংদা নুমিৎ কয়ানি শুদ্রিফাওবদি ভেক্সিন কাপ্পা য়াদবগে হায়বদু নীংথিনা য়েংগদবনি। ভেক্সিন কাপ্পবগী মতম লেপত্রিঙৈদা দোক্তরদা নীংথিনা তানগদবনি।

**হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ নারিবা নৎত্রগা কোভিদ-১৯দা এক্সপোজ তৌরুরবা ওইরগদি ভেক্সিন কাপ্লোইদবনি:**

টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা নৎত্রগা লায়না অসিনা নাবা মীওই অমদা এক্সপোজ তৌরুরগদি লায়না অসিগী লাইওংশিং উৎপা লোইদ্রিফাওবা অমদি আইসোলেসনগী মতম লোইদ্রিফাওবদি ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক ভেক্সিন কাপফমদা চৎলোইদবনি।

**থা খরগী মতুংদফাওবা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং উত্তুনা লৈরবসু ভেক্সিন কাপকদবনি:** কোভিদ-১৯ নারম্বদগী ফখ্রবা মতুং থা কয়া শাংথনা হকচাং চোকথবা, ব্রেন ফোগ, হকচাং চীকপা নাবা, কোক চীকপা অমসুং অতোপ্পা নুংঙাইতবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লৈবা মীগী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌওংদা অপনবা ওইহল্লোইদবনি হায়না ভেক্সিন সাইন্টিষ্ট ডা. পিটর হোটেজনা হায়রি। ডা. পিটর হোটেজ হ্যুষ্টনদা লৈবা বেলর কোলেজ ওফ মেদিসিনগী নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেদিসিন প্রোফেসর অমসুং দিননি।

হোটেজনা হায়খিবদা কোভিদ-১৯গী মখা শাংথনা লৈহৌবা সিম্পটোমশিং অসি ভাইরস অদুনা হকচাংদা য়াওরিবগী নত্তে, হকচাংনা ভাইরস অদুদা পীবা ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্স মতম কুইনা লৈহৌবননি হায়রি।

**কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমা কাপখ্রগা নুমিৎ ১৪নিগী মনুংদা অতোপ্পা মখলগী ভেক্সিন অমত্তা কাপ্লোইদবনি:**

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপকে হায়রবদি ফ্লু নৎত্রগা শিঙ্গল্সকী য়াওনা অতোপ্পা ভেক্সিন অমা হেক্তা কাপত্রিঙৈ মমাঙ নৎত্রগা কাপ্লবা মতুংদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪নি ঙাইগদবনি হায়না সী দি সীনা হায়রি।

**ইশাদা এল্লর্জি তৌগনবা নৎত্রগা মমাঙদা থেংনখিবা এল্লর্জিক রিএক্সনশিং লৈরবদি ভেক্সিন কাপ্লিবা হেল্থক্যের ৱার্কর অদুদা হায়গদবনি:**

য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক ওইজরগসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা এল্লর্জিক রিএক্সন মায়োক্লবগী পাউ লৈরি। মরম অদুনা ইশাগী ওইনা মমাঙদা এল্লর্জিক রিএক্সনশিং মায়োক্লখিবা লৈরগদি হীদাক কাপ্লিবা নর্স অদুদা শুকশোয় শোয়দনা হায়গদবনি।

**ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা গাড়ী থৌদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ামদ্রবদা মিনিট ১৫দগী ৩০ ফাওবা ঙাইগদবনি:**

সী দি সীনা হায়বগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা মীওই খুদিংমক য়ামদ্রবদা মিনিট ১৫দি গাড়ী মনুংদা ফম্লগা লৈগদবনি। মমাঙদা এল্লর্জি তৌখিবগী হিষ্টরি লৈরগদি গাড়ী থৌবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে হায়বদু খঙনবগীদমক মিনিট ৩০ ঙাইগদবনি হায়রি।

**ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ অপীবা মতমগী মনুংদা কাপকদবনি:**

কোভিদ-১৯দগী শুকশোয় শোয়দনা ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক ভেক্সিন অনীরক কাপ্পা মথৌ তাই হায়রি।

**ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদসু মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎনা কাঙলোন মখা তানা চত্থগদবনি:**

সী দি সীনা হায়রি মদুদি, কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীসুবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদসু মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং মখা তানা ঙাক্কদবনি। অহানবা দোজ অদুনা ঐখোয় ইশাবু অমসুং অতোপ্পশিংবু লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগী চাংদা ইম্যুন রেস্পোন্স মতীক চানা পীবা ঙল্লোই। অনীসুবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদা, শীজিন্নরিবা ভেক্সিন অদুগী মখা পোন্না, চয়োল অমদগীনা অনীফাওবগী মনুংদা চাউরাক্না চাদা ৯৫ রোমগী প্রোটেক্সন পীগনি। অদুম ওইনমক সী দি সীনা হায়বগী মতুংইন্না ভেক্সিন মশিং শুনা কাপখ্রবা মীওই অদু কোরোনাভাইরসকী সাইলেন্ট করিয়র অদুম ওইবা য়াই হায়রি। মরম অদুনা মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎনা কাঙলোন মখা তানা ঙাকপা মথৌ তারি।

# মপোক নুমিৎ পাঙথোক্তুনা অহলশিংদা নিংথম খুদোল তমখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌরাং কয়াদা মতেং পাংবা ঙম্নবা থৌবালগী অকোয়বদা লৈবা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা পূনশিন্দুনা শেমখিবা মেন্তোরিং গ্রুপকী চহী অহুম মপূং ফারকপগী অহুল্লকশুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল অচৌবা হস্তু মখোঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর এল বসন্ত (ভিম) না অথোইবা মীথুং, সোসল ৱার্কর ৱাইখোম অমুজাওনা থৌরম মপু অদুগা সেনিয়র সিটিজন অতোম ইবোয়াই, কন্ত্রেক্টর ৱাইখোম সুরজিৎ, সোসল ৱার্করশিং সোইবম বসন্ত, নিংথৌজম বিরেন, লম্বামযুম শ্যাম, সোইবম ওংবী ইবেমহলনচিংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মপূং ওইবা শরুক অমা ওইনা থৌবালগী অকোয়বদা লৈবা অহল ওইরবা মীওই কয়াদা কম্বল অমমম খুদোল তমখি অমদি অহলশিংগীদমক নাৎকী ওইবা খুল্লং ঈশৈগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎতা কনানা করিগীদমক বোম্বুলা থারিবনো? য়ুম্ফম য়াওদবা থবক তৌবা চুসগদৌরিবরা?



মালেম অসিদা মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিনা লৈরিবমখৈ মৈতৈগী য়ূমথোং খুদিংদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনিজবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি পাঙথোকখিগনি। মসিদা য়াম্না লাইবক থীবদি চহী ৪/৫ অসিদা ইমোইনু ইরাৎপা নুমীৎতা বোম্বুলা থাবগী চৎনবি অমা কন্না তৌনরক্লি। মসিদা হংবা য়াবা ৱাফমদি কনানা করিগীদমক বোম্বুলা থারিবনো? ইমোইনু ইরাৎপা অসিবু মপান লমগী অতোপ্পা কুন্মৈশিংগা চাঙদম্নগদৌরিবরা? ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা অহলশিংনা হায়বিরম্বা লৈ মদুদি ঙসিদি ইমোইনু নুমীৎনি লাংগনু ৱা কন্না ঙাওগনু লাংলবদি ইমোইনু চঙলক্লরোই (চাহোং হন্থরগনি) হায়রম্মী। অদুগা মসিগী ওন্না তৈনবদা ঙসিদি বোম্বুলা থানরি। অসুক লুখ্রবা লাইগী থৌরম অসিবু মীরাইবিরব্রা? ঐখোয় পূম্নমক হীরম অসিগী মতাংদা পূন্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। কনাগুম্বা অমনা লৈকায় অমদা অরানবা থবক অমা তৌরুরবদি লোকেল পুলিস/ক্লব অমদি সংস্থান অমনসু হেক্তা চৈরাক পীবগুম হীরম অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। ফুরুপ অমগী লাইনিং-লাইশোনবু লান্না লমজিংবিগনু। ইশাগী আইদেন্টিটি মশক খঙনা অমত্তা ওইনা পূন্না থবক তৌমিন্নসি।

❑ মাইমু লাইশ্রম, মোইৱাংকম্পু ময়াই লৈকায়

### লমদম অসিদদি মরালনা মপোৎ ফারবা কয়া কৈশুমশঙ য়ৌরমদাইগী মীৎকুপ ফাওবা কনবা ঙমই



অঙকপা থৌদোক কয়ানা মকে শেল্লিবা মণিপুর ইরমদমনি। থিজিল্লুবদা অৱাৎপা লৈরোই। লৈঙাক্কী থবক্তগী পোৎথাবগী মতম হেল্লবা ফাওবদা সেন্ট্রেল সিভিল সার্ভিসেস রুল ১৯৬৫ ঙাকপা ঙমদ্রি। ফোংনা লাল্লে খঙলবসু মরালনা মপোৎ ফারবা কয়া কৈশুমশঙ য়ৌরমদাইগী মীৎকুপ ফাওবা ৱায়েল লোইশঙনা কনবা ঙমই। অসুম্না অসুমক চৎথরবদি মণিপুর ইরমদম অসি করি করম্বা ফীভমদা ওইগনি। হুরান লোন্দা মতিকচাবা-চাদবা থীদনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী ওইবা মীশক অমনা মীং ওন্থোক্লরগা থবক অনী তৌবগী পাউসু তাদবা নত্তে। লৈঙাক্কী থবক তৌরগা ফম্নাইবশিংগী প্রোক্সি লান তৌরিবা লমদমনি। মণিপুরগী অচৌবা কৈথেল কয়া হাংহন্দ্রবসু অকোয়বদা লৈরিবা অদুমক দুকান কয়া হাংহল্লি। মনা করম্বা থৌওংনো? ঙসি লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়া শেঞ্জা-থুমজানা থবক ফংহন্দ্রে হায়বসি লাল্লোইদরা হায়না খল্লি। থবক ফংদ্রিবা কয়াগী থৌরাং খরদি লৈঙাক্না অখন্ননা তৌবিফম থোকপরা হায়না খল্লি। হীরম খুদিংমক্তা অৱাবা ওইরিবসি মীচম মীয়ামনি। কোভিদকী লায়না-লাইচৎ হন্থরক্লবনিনা হীরম খুদিংমক্তা লোকদাউন হাংদোকপীয়ু।

❑ পুয়াম অচৌ খুমনচা, শিখোং বাজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০১।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা; ৱাকচিংগী ১৩ নি পানবা।

মেষ : নীংজবা থুংবা, ৱাখলগী পাঙ্গল হেনগৎপা, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি ইচং থৌবনা মীনা লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। মীয়াম্না য়াবসু ওই
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : য়েক্লবনা লৌথোক-চাথোকনিংবা অমদি অশাওবনা কাইনহনবা য়াবা নুমিৎনি। শিখাং খাংলদি নথক থোংবনা তাথিগনি। নচা ননাই লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথবনা মফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

মিথুন : হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচং ৱাৎতবা অমদি লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি। মরুপ মপাংনা লান্না পাউথোকপিবা য়াবদি লৈ-অদুনা খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কর্কট : অনৌবা মরুপতগী কান্নবা ফংজবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকচগদবা নুমিৎনি। অদুম ওইনমক মরুপ মপাংগা ৱাখল তানদবদি পেন্থোকপা তম্মু।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ : হকচাং খিংলনি, লৈঙাকলোন্দা চাওনা মায় পাক্কনি, নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি অনৌবা অশাদা থৌ পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : মীচং হেনগৎকনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি ঈকাই খুম্নবীবা লৈগনি। অদুবু শোক-পনবা য়াবসু লৈ-ফিংগনু অমদি অকল অথৌগী থবক য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : খনম্থবা ৱাৎপনা মীপাইবা নংবা য়াবা লৈ-চরাংগনু। লৌশিং ফুদোকপা ঙমলোই অদুনা য়েৎনবা য়াওরুনু। য়ারগদি ওজা-গুরুগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : পূক্নিংদা চিংনবা পোকপা অমদি ইমুং মনুংদা মহু চাওবনা তাথিবা লৈরসু মীৱা লৌদ্রদি অমাঙবা লৈরোই। ইমুংগী ৱা তাও অমদি নচা ননাই লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : ঙসিসু নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা পূক্নিং চংগনি। অঙম্বনা নরলদা মীৎয়েং চংবা অমদি অশাওবনা নুংশা-থিহনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : মায় পাকচবা, মীচংসু হেনগৎপা অমদি নীংবা মপা চাবা লৈ। অদুবু নাপল তৌরদি লৈফম খঙদবা অমদি চিন শোয়রগা লন ময়েং তাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ব : খোঙফম অমা-অনি হন্দোকউ-য়াইফবা লাক্কনি। হোয়া ফবা মতাং চাদে অমদি মরুপ শাবনা লান্না লমজিংবা য়াবা নুমিৎনি। হেন্না খঞ্জিনলুনু-কান্নদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন : ওহজ-ওইথক ঙাক্তা ফংজগদবা নুমিৎনি। মাঙলোমদা চংশিল্লু মায় পাকপদি মাঙদা তাদুনা লৈরবনি। অরাপ্পদগী কান্নবসু ফংউ হায়বা লৈ-মীনসু চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।